**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 30-07-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরদা ওগষ্ট ১৩ দগী হৌরগা মখা তানা থা ৬ রাষ্ট্রপতি সাসন চলাইনবগী মতাংদা পুখৎলকপা ষ্টেটুতোরি রিজোলুসন লোক সভানা ঙসি অয়াবা পীখ্রে।

২) ১৩৪ শুবা দুরান্দকী কপগী ইম্ফাল লেগ রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা ঙসি হৌদোকখ্রে।

৩) ভারত লান্মীগী মকোক জেনেরেল উপেন্দ্র দ্বিবেদি ঙসি রাজ্য অসিদা লাক্কুনা মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা সেক্যুরিতিগী ফিভম হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

৪) মণিপুরগী রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়াশিংদা লম কোয়বা, ফাওদুনা চৎপা অমদি অতৈ থবক থৌরম তৌবা খুদক্তগী থিংলে।
অমসুং

৫) ভারতনা পাকিস্তানগী মথক্তা চখ্খিবা ওপরেসন শিন্দুরদা ভারত লান্মীনা উৎখিবা হৈ শিংবশিং মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

------

পিআর (এল)ঃ মণিপুরদা ওগষ্ট ১৩ দগী হৌরগা মখা তানা থা ৬ রাষ্ট্রপতি সাসন চলাইনবগী মতাংদা প্খৎলকপা ষ্টেটুতোরি রিজোলুসন লোক

সভানা ঙসি অয়াবা পীখ্রে। সভাদা কেন্দ্রগী গৃহ রাজ্য মন্ত্রি নিত্যাইনন্দ রাইনা চহি অসিগী ফেব্রুৱারি ১৩ দগী মণিপুরদা থল্লকখিবা রাষ্ট্রপতি সাসন অসি মখা তানা থা ৬ শাংদোকপগী অয়াবা সভানা পীবীনবা পুখৎলকখি। রিজোলুসন অদুগী মতাংদা বিরোধি দলগী সদস্যশিংনা পুখৎলকপা ৱাহংশিংগী পাউখুমদা শ্রী নিত্যাইনন্দ রাইনা রাষ্ট্রপতি সাসন মখা তানা থম্বগী মতাংদা হায়- হৌখিবা থা ৮ অসিদা মণিপুরদা মীওই অমগী পুন্সি পীখমখিবা থৌদোক অমখক থোকপা নত্তনা অতোপ্পা মীশি মীনাগী থৌদোকশিং থোকখিবা লৈতে। মসিগী মথক্তা রাষ্ট্রপতি সাসন লৈরবা মতুং হৌখিবা থা মরি অসিদা মণিপুরদা হিংশাগী থৌদোক অমত্তা থোকত্রে।

রিজোলুসন অসিগী ৱাফম খন্নবদা বিরোধি দল কংগ্রেসনা মণিপুরদা শান্তি রক্সাগী ফিভম ফত্তনা লৈরিবা অসি রাজ্য অসিদা লৈঙাক লৈত্রে হায়বদু তাকপনি। মসিগা লোয়ননা রাষ্ট্রপতি সাসন থম্বা থা ৬ শুরক্লবা ফাওবদা রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা হঞ্জিনবা ঙমহনদ্রে হায়দুনা সরকারবু রাল শিখি। মণিপুরদা রাষ্ট্রপতি সাসন থমবগী সভানা অয়াবা পীরবা মতুংদা লোক সভাসু ঙসিগী ওইনা য়ৈথোকখি।

দুরান্দ কপ (এল)ঃ এসিয়া মহাদেসতা খ্বাইদগী লীরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা দুরান্দ কপকী ১৩৪ শুবা এদিসনগী ইম্ফাল লেগ ঙসিদগী হৌরে।

ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা দুরান্দ কপগী ইম্ফাল লেগ নাৎকী ওইবা থৌরম কয়াগা লোয়ননা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হৌদোকখি।

ইম্ফাল লেগকী ওইনা ঙসি গ্রুপ-এফকী অহানবা মেটচতা ত্রাউ এফ.সি অমসুং নেরোকা এফ.সি অনি শান্নখি। শান্নবগী অপিবা মতমগী মনুংদা টিম অনিনা পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো ওইখি। ত্রাউ এফ.সিগী পাঞ্জল অদু মেটচকী অনিসু হাফতা দিফেন্দর খুঞ্জামযুম রাজনা চনখি অদুগা নেরোকা এফ.সিগী পাঞ্জল অদুনা মেটচকী লোইশিল্লকপা শরুক্তা সবষ্টিট্যুট কব্রাবম অরুনকুমারনা চনখিবনি।

ভারতকী লান্মীনা মনিপুরগী য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস বিভাগ (য়াস)কা পুন্না শিনদুনা পাঙথোক্লিবা ইম্ফাল লেগকী ঙসি অহৌবা নুমিৎ অসিগী য়েংলগা রাজ্য সরকারনা ঙসি ছুতি তঙ্খায় লাউথোকখি।

অমরোমদা, টুর্নামেন্ট অসিগী য়েংলগা খুম্মন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়ম তাবা ইম্ফালগী মরুওইবা লম্বীশিংদা চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচানবা অহোংবা খরা লৈখি। লম্বীগী অহোংবশিং অসিবু নিংথিনা ঙাকা চৎনবা সেক্যুরিতি ফোর্স, পুলিস অমদি ত্রাফিক্কী কাংবুনা মীকুপ নাহুম শিংনা য়েংশিনখি।

আর্মি (এল)ঃ ভারত লান্মীগী মকোক জেনেরেল উপেন্দ্র দ্বিবেদি ঙসি রাজ্য অসিদা লাক্তুনা মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা সেক্যুরিতিগী ফিভম হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

থ্রি কোরগী জেনেরেল ওফিসার কম্মান্দিং য়াওনা লান্মীগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়া লোয়নরকখিবা জেনেরেল দ্বিবেদিনা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা ইম্ফালগী রাজ ভবনদা উন্নখি।

উন্নবা অদুদা, ভারতনা পাকিস্তানগী মথক্তা চথখিবা ওপরেসন শিন্দুর মায় পাকবা হোৎনবদা লান্মীনা লৌখিবা থৌদাং কয়া অদুবু রাজ্যপালনা থাগৎপা ফোংদোকখি। রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম কোকহন্নবা লান্মীনা লৌখৎলিবা থৌরাংবসু রাজ্যপালনা থাগৎখি।

উন্নবা অদুদা লান্মীনা রাজ্য অসিদা শান্তি পুরকবা লৌখৎলিবা খোঙথাং কয়াগী মতাংদা জেনেরেল দ্বিবেদিনা রাজ্যপালদা নিংথিনা পাউদমখি। উন্নবা লোইরবা তুংদা নুমিদাংৱাইরমদা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা চত্তুনা ১৩৪ শুবা দুরান্দ কপকী নেরোকা এফ.সি অমসুং ত্রাউ এফ.সি অনিগী মরক্তা শান্নখিবা ফুটবোল মেটচ অমা য়েংখি।

ফোরেষ্ট (এল)ঃ মণিপুরগী রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়াশিংদা লম কোয়বা, ফাওদুনা চৎপা অমদি অতৈ থবক থৌরম তৌবা খুদক্তগী থিংলে।

রাজ্য সরকারগী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- মীয়ামা রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়াশিংদা মরম লৈতনা চীং কাবা, ফাওদুনা চৎপা অমদি অতৈ থবক থৌরম চত্থবনা উমংগী ফিভম শেকহনবতা নত্তনা মহৌশাগী খল কায়হল্লকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ অমদি মফম অদুদা লৈরিবা শা উচেকশিংদা অকি তুজং পোকহনবা য়াই। মরম অদুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লাঙ্গোল রিজার্ভ ফোরেষ্ট অমদি পুন্সি লোক এরিয়াদা মীয়ামা কাবা অমদি চৎথোক চৎশিন তৌবা খুদক্তগী থিংলে। কনাগুম্বনা অয়াবা য়াওদনা হায়রিবা থবকশিং অসি চত্থরম্বা থোক্লবদি ইন্দিয়ান ফোরেষ্ট এক্ট ১৯২৭ অমসুং মণিপুর ফোরেষ্ট রুলস ২০২১ গী মখাদা অকনবা থবক লৌখৎকনি। মীওইশিং অদুগী মথক্তা থা ৬ ফাওবা জেলদা থম্বা নত্রগা ফাইন থিহনবা নত্রগা চৈরাক অনিমক ফংবা য়াই হায়রি।

চান্দেল (এল)ঃ নেসনেল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিতি (এন.দি.এম.এ)গী দিরেক্তর রাকেশ কাতারিয়ানা লুচিংবা কেন্দ্রগী মীহুৎ কাংবু অমা ঙসি চান্দেল জিলাদা চত্তুনা মহৌশাগী খ্দোংথিবা থোক্লকপা মতমদা মদুবু থেংননবা লৌখৎলিবা থৌরাংশিং পায়খৎলিবদুগী মতাংদা কুপা য়েংশিনখ্রে।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা মহাক্কী ওইবা ৱাফম ফোংদোক্লদুনা রাকেশ কাতারিয়ানা হায়- রাজ্য অসিদা অমসুং জিলা জিলাগী থাক্তা মহৌশাগী খুদোংথিবা থোরকপদা ওথোরিতিশিংনা মতৌ করমা থবক পায়খৎলিবগে হায়বদু য়েংশিন্নবা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়না খঙহল্লকপগী মতুংইন্না টিম অসি মণিপুরদা লাকপনি। টিম অদুনা ওথোরিতিশিংনা পীরকপা ৱারোলশিং অমদি অতৈ হিরম কয়া কুপা তাগনি।

হন্না য়েংশিনবগী মীফম অদু চান্দেল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনারগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখি।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ অঙাং লল্লোনবা অমসুং নমদুনা থবক শুহনবা থিংনবা নুমিৎ ১৫ নি চত্থরকপা কেম্পেন এগেনষ্ট চাইল্ড ত্রাফিক্কিং এন্দ লেবর বিষ্ণুপুর

জিলাদা ঙসি লোইশিনখ্রে। জিলা অদুগী থমাপোকপীদা লৈবা এল. মনি মেমোরিয়েল হোলদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিসনার পুজা এলাংবমনা হায়- নুমিৎ ১৫ নি চুপা চথখিবা কেম্পেন অদুদা হোটেল অমদি ৱার্কসোপ য়াওনা তোঙান তোঙানবা থবক শুফমশিংদা অঙাংশিংবু নমদুনা থবক শুহনবা থিংনবগী মতাংদা নিংথিনা খঙহনবগী কেম্পেশিং মায় পাকা চথখি। মহাকা হায়- অঙাংশিংবু নমদুনা থবক শুহনবা হায়বসি য়ামা মরম চাদবা অমদি তৌরোইদবা থবক অমনি। কনাগুম্বশিংনা নিয়মগী ৱাংমদা অঙাংশিংবু থবক শুহল্লম্বা থেংনরবদি মরী লৈনবা ওথোরিতিশিংদা পাউ পীবীরকবা আপীল তৌখি।

সেনাপতি (এল)ঃটি.বি. লায়না মুখৎনবা লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিংদা নুপী অমসুং অঙাংশিং য়াওহনবা হায়বা হিরমদা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা সেনাপতি জিলাগী দি.আর.দি.এ হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা জিলা অদুগী দিপ্যুতি মামোনি দোলিনা হায়- লায়না অসি লৈহন্দনবা সরকারনা অকনবা থবক লৌখৎলি। জিলা অসিগী টি.বি. লাকশিন্নবা টিমনা লৌখৎলিবা খোঙথাং অদুবু থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা মহাকা হায়- খোঙথাং অসিদা জিলা অদুদা লৈরিবা মহৈরোইশিং, নুপী অমসুং অঙাং য়াওহনবগী তঙাইফদবা লৈ। মসিনা লায়না অসি হেক হৌরকপদা খঙদোক্কুনা ঙন্না লায়েংনবা খুদোংচাবা অমা পীবা ঙমগনি। লায়না অসি মুখৎপদা খোঙথাং অসিনা অচৌবা কান্নবা ওইগনি হায়নসু মহাকা মখা তানা ফোংদোকখি।

থৌরম অদুদা নেসনেল টি.বি. ইলিমিনেসন প্রোগ্রাম, নেসনেল হেলথ মিসন সেনাপতি অমদি লমদম অদুগী তোঙান তোঙানবা সংস্থানশিং শরুক য়াখি।

সিল্ক (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী ৱাংঙু নাউদাখোং খুঙ্গংদা কেন্দ্র সরকারগী মেরা রেসম, মেরা অভিমান হায়বা কেম্পেনগী মতাংদা নোংমগী ওইবা মীয়াম

পুন্না খণ্ডমিন্নবগী থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু সেন্ত্রেল সিল্ক বোর্দ রিজনেল সেরিকলচরেল রিছার্স ষ্টেসন ইম্ফাল অমসুং দিষ্ট্রিক্ট সেরিকলচর ওফিস বিষ্ণুপুরনা পুন্না শিনবনি।

থৌরম অদুদা সেন্ত্রেল সিল্ক বোর্দ আর.এস.আর.এস ইম্ফালগী সাইন্তিষ্ট-দি ডাঃ শিনাম শুভারানি অমসুং এসিষ্টেন্ট দিরেক্তর তাহেন লৈমা চনু শরুক য়াখি। লোয়ননা মুগা তিল য়োক্লিবা লোমীশিংনা মতৌ করমা অনৌবা সাইন্তিফিক ওইবা মওংশিং শিজিন্নগনি হায়বগী মতাংদা খঙহনখি।

শুরজাকুমার (এল)ঃ এম.এল.এ- ওক্রম শুরজা কুমারনা থৌবাল তুরেলগী ফিভম ফৎত্রবা তোর্বানগী শরুকশিং হকথেংননা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। থৌবাল ৱাংম তাবা শোরোক মখাদা লৈবা তোর্বানগী শরুকশিং এম.এল.এনা হকথেংননা য়েংশিনখি। খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা এম.এল.এ শুরজাকুমারনা হায়- ৱাটর রিছোর্সেস অমদি পাব্লিক ৱার্ক্স বিভাগকী মখাদা পায়খৎকদবা থবক কয়া খুদোংচাদবা খরদগী পায়খৎপা ঙমদনা লৈরে। অদুবু মতম খরগী ওইনা তোর্বান ময়াগী লম্বী চৎথোক চৎশিন য়ানবা উ-ৱা শিজিন্নরগা শেমজিন্নবা হোৎনগনি হায়না থাজবা পীখি। এম.এল.এনা লৈকাই অদুগী সাৱা গ্রাউন্দদা নৌনা শাগদবা পাব্লিক ষ্টেজ কম রুম অমা উরেপ উয়ুং তমখি।

আরপিআই (এল)ঃ আর.পি.আই (অথৱালে)গী নেসনেল সেক্রেতরি-মহেশ্বর থৌনাউজমনা কেন্দ্রগী ত্রাইবেল এফ্যারস মন্ত্রি জ্ৱেল ওরামগা উন্নদুনা মৈতৈ-মীতৈবু সেদ্যুল ত্রাইব ওইহন্নবা তকশিনখ্রে। দিল্লিদা লৈবা কেন্দ্রগী মন্ত্রি অসিগী ওফিসতা ঙসি অয়ুক মহেশ্বর থৌনাউজমনা মৈতৈ-মীতৈবু সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতা চলহন্নবা তোঙান তোঙানবা চে চাং কয়া য়াওবা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখি।

মসিগা মরী লৈননা মহেশ্বর থৌনাউজমনা হায়- সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতা চলহন্নবা রাজ্য সরকারদসু কয়ারক হন্না তকশিনখিবা লৈখ্রে। হৌজিক লৈরিবা রাষ্ট্রপতি সাসন মনুংদা রাজ্যপালগা উন্নদুনা মরী লৈনবা চে চাং কয়া পীশিনখি।

মসি মখা তারকপা ওইনা কেন্দ্রগী মন্ত্রিদা হকথেংননা উন্নদুনা মীয়ামা পান্লিবা থৌরাং অসি থবক্তা ওন্থোকবা হোৎনবনি হায়খি।

এআর(এল)ঃ অসাম রাইফলসনা শিনদুনা ঙরাং কাংপোকপী জিলাগী ভৈতিম খুলেন খুলদা উ চারা থাখ্রে। মদুদা অঙাং ১৭ য়াওনা মীওই ৩৭ হেনবনা শরুক য়াখি।

সংসদ ঃ রাজ্য সভা মীফমদা ঙসি মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা ওপরেসন শিন্দুরদা ভারত লান্মীনা উৎখিবা মখোয়গী হৈ শিংববু শিংথাখ্রে।

মহাকা হায়- জম্মু অমসুং কাশ্মীরদা আর্তিকল ৩৭০ চৎনহনখিদ্রবা মতুংদা রাজ্য অদুদা তংদু লৈতাবা হঞ্জিল্লক্কুনা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎলকপা অদুগী মায়োক্তা মফম অদুগী শেনমিৎলোনদা চৈথেং পীনবগীদমক পেহলগামগী তেরোরিষ্ট এটেক অদু চথখিবনি। থৌদোক অদুনা লৈবাক পুম্বদা থম্মোয় শোকা নুংঙাইতবা ফাওহনখি অমদি থৌদোক অদুবু মালেমগী মফম কয়াদগী য়ানিংদবা ফোংদোকরকখি। থৌদোক অদুগী মতুংদা কেন্দ্রগী কেবিনেট কমিতি ওন সেক্যুরিতিনা করিগুম্বা পাকিস্তান্না তেরোরিজমবু মখা তানা শৌগৎলিবা ফাওবা ইন্দজ ৱাটর ত্রিতি চৎহন্দনা থম্বা হায়না ৱারেপ লৌখি।

অশ্বিনি ঃ কেন্দ্রগী রেলৱে মন্ত্রি অশ্বিনি বৈষ্ণোনা হায়রি- তেল্লবা চহি অহুমগী মনুংদা বন্দে ভারত ত্রেন রাজ্যশিংদা য়ৌহনবা ঙমলে।

ৱাফম অসি ঙসি লোক সভা মীফমদা হংলকপা ৱাহংগী পাউখুমদা মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- লৈবাক অসিদা হৌজিক হৌজিক বন্দে ভারত ত্রেন ১৪৪ চেল্লি। মন্ত্রিনা মখা তানা হায়- মিদল ক্লাস অমদি লো ইনকম গ্রুপশিংগীদমক ত্রেনগী জেনেরেল ক্লাসকী কোচশিং হৌখিবা চহি খরা অসিদা মশিং হেনগৎলে। হৌজিক লৈরিবা কোচ লিশিং ৮২ গী মনুংদা চাদা ৭০ দি জেনেরেল অমদি নন-এ.সি কোচশিংনি।

জ্যোতিরআদিত্য ঃ  সঞ্চার সাথি ইনিসিয়েতিভকী মতেংনা শাশিন্নবা মোবাইল কন্নেক্সন কোতি ৩৬ হেন্না ককথৎখ্রে হায়না কেন্দ্রগী কম্ম্যুনিকেসন মন্ত্রি জ্যোতিরআদিত্যা সিন্দিয়ানা ফোংদোকখ্রে।

ঙসি লোক সভাদা হংলকপা ৱাহং অমদা মন্ত্রিনা হায়- মীওই লাখ ৩৫ হেনবনা সঞ্চার সাথি ইনিসিয়েতিভ হায়রিবা পোর্তেল অসিদা মোবাইল হুরানখিবগী ৱাকৎ তৌরকখি। মদুগী মনুংদা মাংখিবা মোইবাইল ফোন লাখ ২১ হেনবগী মফম খঙদোক্লে, মোবাইল ফোন লাখ ৫ হেনবনা মপুশিংদা শিন্নখ্রে হায়খি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল ঃ  মণিপুর জ্‌নিয়র বোইজ ফুটবোল টিমনা জ্‌নিয়র বোইজ নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর ডাঃ বি.সি. রোই ট্রোফি ২০২৫  গী চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

পঞ্জাবকী অমৃটসরদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা মণিপুরনা ৱেষ্ট বেঙ্গলবু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

অমফা ঃ    ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা সেপ্তেম্বর থাগী অহানবা চয়োলদা অহুমসুবা প্রেমিয়র লিগ শান্নবা হৌরগনি। অনিসুবা চয়োলদনা ১৮ শুবা মণিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৫-২৬ অমসুং অহুমসুবা চয়োলদা ১৬ শুবা সেনিয়র ৱিমেন্স লিগ ২০২৫-২৬ হৌরগনি হায়রি।

তুরনামেন্টশিং অসিগী সি.এম.এস অথুবা মতমদা হৌরগনি হায়রি। মরম অদুনা টিমশিংনা মখোয় মখোয়গী শান্নরোইশিংগী তঙাইফদবা চে চাংশিং পীশিল্লকবা অমফানা খঙহল্লি।

অমরোমদা, অনৌবা মেটচ কম্মিসনারগী রিটন অমদি প্রাক্তিকেল টেষ্ট মায় পাক্লবা কেন্দিদেটশিংগী মিং লাউথোকখ্রে।

------